ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯑꯣꯒꯁ꯭ꯠ ꯱꯱, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯳꯷ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেন, ওগষ্ট ১১, ২০২২, ইম্ফাল

৪৬শুবা চহী, ১৩৭শুবা মশীং

# মণিপুরদা ৱিমেন এম্পৱারমেন্ট

## ফৈজে চিংথোকপা য়াওরৱ্রা

চৎলিবা ওগষ্ট ২০২২সিগী তাং ১৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবাকসিনা নীংতম্লকপা চহী ৭৫ শুরে। মসিগীদমক থৌওইনা ‘অজাদি কা অমৃট মহোটসব’ হায়বা মীংথোলগী মখাদা মখল কয়াগী থৌরমশিং লিশাং শিৎনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। ওগষ্ট ১৩, ২০২২দগী হৌরগা ওগষ্ট ১৫, ২০২২ ফাওবা লৈবাকসিগী য়ূমথোঙ খুদিংদা ‘হর ঘর তিরঙ্গা’ গী মখাদা লৈবাকসিগী মচু অহুমগী ফিরাল পাইহন্নবা অকনবা থৌরাং লৌখৎলে। লৈবাক শিনবা থুংনা নীংতম্লকপা চহী ৭৫ মপূং ফারকপগী হরাও মথোই কাদুনা নুংঙাইবা ফোঙদোক্কদৌরি। অদুবু লৈবাকসিগী নুপীশিংদসু নুপাশিংগা চপ মান্নবা চাকথুং পীরে অমসুং নুপাশিংগা থাক মান্ননা চীংখৎনবা ‘ৱিমেন এম্পৱারমেন্ট’ কী থবক মায় পাক্লা লৌখৎলে, থোং চপ মান্নহল্লে হায়না লৌবদি য়াদ্রি। প্রসিদেন্ট রামনাথ কোবিন্দগী মতম লোইশিনখিদুনা দ্রৌপদি মুরমুবু লৈবাকসিগী প্রসিদেন্ট খল্লে হায়রগসু লৈবাকসিগী নুপীশিং নুপাগা থাক চপ মান্নরে হায়দুনা লৌবা য়াদ্রি। দ্রৌপদি মুরমু ত্রাইবেল নুপীনি, ত্রাইবেল নুপী অমনা লৈবাকসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা পোষ্ট পায়রে হায়রগসু য়াদ্রি। ফম অসিদি মমাঙদসু প্রটিভা সিংহ পটিলনসু পায়খ্রে। লৈবাকসিগী নুপীশিংগী ফিভমদি মচি ইরেং লেংদ্রি। ইশম শম্বদা দিমোক্রেসিগী লৈঙাক্লোন চলাইরিবা লৈবাক অসিগী পার্লিয়ামেন্ট অমসুং এসেমব্লিশিংদা হৌজিক ফাওবদা তঙ্খাই য়ৌনসু নত্তনা চাদা ৩০ ফাওবগী সিট রিজর্ভেসন তৌবা লৈত্রি। চিন্দোন-লৈতোন্দা ৱিমেন এম্পৱারমেন্ট হায়রগা নুপী খরা পুনশিন্নহন্দুনা ‘সেল্ফ হেল্প গ্রুপ’ শিং শেমহল্লগা বেঙ্কনা লোন পীবা খক্লা পেন্থোকপা য়ারোই। হীরম খুদিংমক্তা লৈবাকসিগী নুপী মীয়াম নুপাগা মান্নদ্রি, শোত্থরি।

অদুবু য়ুনিয়ন অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্লা ৱিমেন এম্পৱারমেন্টগীদমক করিমত্তা লৌখৎত্রে অমসুং পায়খৎত্রে হায়বদি নত্তে। পায়খৎপা য়াবনি হায়বা থবক-থৌরম কয়া পায়খৎলি। মতুংদসু হেন্না পায়খৎলকপসু য়ারি। থবকশিং অসিগী মনুং চন্না অর্বান লোকল বোদি (য়ু এল বি) শিংগী মনুং চল্লিবা বোদিশিংগী মীহুৎ খন্নবা মীখলশিংদা নুপীশিংগী চাদা ৩০গী ক্বোটা খাত্তুনা থম্লি। থবক ওইনসু পাঙথোক্লি। অদুবু মফম খুদিংমক্তদা লোইনা তৌবা নৎত্রবসু অকক্নবা মফম খরদা য়ু এল বিশিংগী মীহুৎ নৎত্রগা মকোক থোংবা চ্যেরপর্সন, প্রধান নৎত্রগা অধক্ষ্যনচিংবগী ফমশিং নুপীনা পুরকপদা মমিং ফাওবা য়েকপদা হৈজদবা য়াওরকপদগীনি হায়দুনা মহাক্কা নক্নবা, নক্নদবা, থাজবা মীনি হায়দুনা নুপী মীহুৎ অদুনা খূৎয়েক পীবা য়াওনা অতৈ থবক-থৌরম পূন্নমক মহাক্কী মহুত্তা নুপাশিংনা পাঙথোক্নবা/চত্থনবা য়াওরে। হায়রিবা থৌওংসিদি য়ুনিয়ন অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্লা ৱিমেন এম্পৱারমেন্টগীদমকনি হায়দুনা লৌখৎলকপা থবক-থৌরমশিং ফৈজে চিংথোকপনি হায়দুনা লৌদবা য়ারোই। য়ু এল বি ওইগেরা, এসেমব্লি নৎত্রগা পার্লিয়ামেন্টবু ওইগেরা বোদিশিং অসিগী মীহুৎ ওইবদা হৌজিকমক্কীদি লাইরিক ময়েক চৎপা/চত্তবগী ৱাফম থোইদোক্ত্রি। য়ু এল বি, এসেমব্লি অমসুং পার্লিয়ামেন্টনচিংবা বোদিশিংগী মতুংইন্না মসিগী মীহুৎ অমসুং লুচিংবশিংনা পীবা মীয়ামগী থৌদাংশিং চপ চানা পাঙথোকপা ঙম্বনা মরু ওইবা মহৈগী থাক ওইরি। মসি ওইরগদি লাইরিক হৈবা-হৈতবা খায়দোক্তুনা নুপী মীহুৎ অমনা পাঙথোকফম থোকপা মথৌদাংশিং চপ চানা তৌহনবীবা করি কায়বগে? ঙমদ্রবসু তঙাইফদনা ঙম্ননবা হোৎনরকপা তাবনি। ইবা-পাবা থোক্তে হায়দুনা অতোপ্পা মীওই অমনা সুম মহুৎ শিল্লবদি ফজখ্রবা ‘ৱিমেন এম্পৱারমেন্ট’ কী ৱাহন্থোক লৈখিগদ্রা? মমাঙদা তৌখিবনা তৌখ্রে। মতুংদদি থবকসিবু ফৈজে চিংথোক্তুনা গুরুং চৎহন্নবা হোৎনহন্নীংদে। লৈঙাক্কী চৎন-কাঙলোনশিং অনীংবা অপাম্বনা হুমদুনা পুগুমসি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৭

১) **“পরিনীতা (লুহোংলবী নুপী)”** হায়বা ১৯৬৮দা অহানবা ফোঙবা লাইরিক অসি কনানা ইবা করি লোলগী ওরিজিনেল লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

২) **“মৈতৈ জগোই ১৫শুবা শরুক”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৩) **“মেহরু”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **“নুপী/নহাক্কী পুল্লিবা শম্বুলগী মনুংদা/য়াওরি পারী-পুরিগী চয়োমসু/য়াওরি মণি-মুক্তা কয়াসু/হয়েংগী নুমিৎসু।”** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৫) **“শামু ময়াগী কংক্র ঙান্থক”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৬, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইপুদা ইজবা চিঠি -২

**চাইথোরকপা ৱাখল**

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

নুংশিজরবা ইপুখোয়,

ইপুখোয় হন্দক মমাঙঙৈদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা মীখল পাঙথোকখ্রে। মীখল হায়বসিমক্তবু মানা মানা ঙম্বা হায়দি ভোট কানবা অঙম্বী থাক্তা হোৎনবনিদো। হন্দক্কীসু হেক্তা অরোইবা থানা হোৎনখি। কেন্দিদেট লোইনমক্কী ৱাদি খঙদ্রেকো, কন্সটিট্যুএন্সি অমদা মশীং থিনবা য়াই খনবা কেন্দিদেটশিংনা তিংনখিবা শেলসিদি অরোইবীনি। ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী চৎনবী মতুংইন্না কেন্দিদেট অমনা লুপা অসুক্তগী হেন্না চাদিং তৌবা য়ারোই হায়বা ৱাফম ইদুনা চেকশিন্না লৈ। মীখল ময়াদুদা মখোয়গী মী থারক্তুনা য়েংশিল্লরি, ষ্টেটকী ওইনসু ইলেক্সনগী ওইবা এমপ্লোয়ী ময়াম অমনা মখল কয়াগী মেনপৱার শীজিন্নদুনা অহেনবা চাদিং তৌদনবা কন্না হোৎনৈ। মোইনা পীরিবা চাদিং মশীংদুদগী কোকথোং অমা হেন্না শীজিন্নরে, মীখলদা থাদরে, শেল য়াম য়াম য়েল্লে হায়বসি লোইনা খঙই। খঙলবসু চেদদি মোইনা পীরিবা শেনফম অদু হেন্না অমত্তা শীজিন্নখি হায়না হায়দে। অদুনা ঙসি ফাওবদা কেন্দিদেট খরনা অমত্তা অহেনবা চাদিং তৌবগী চৈরাক ফংখিবা অমা ফাওবা য়াওখিদ্রি। মসি ইফোং ফোংবা অরোনবা অমনি। অরোনবা অসি ইহো হোনা লোইনা উনৈ। মীপূম খুদিংনা খঙনৈ। ই সী আইগী মীসু লোইনা খঙই অদুবু উশিন্নদনা করি কমদৌরগা য়ানরিনো খঙদে মনা মনিল অমত্তা নাইদনা য়ানখি। মতৌগদি ফিরাল চিংখৎপদা ঈ সী আইগী মীগা থারক্তনা চৌক্রি কয়া থাই, করি অচাপোৎ য়েল্লি, গাড়ী কয়া শীজিন্নে গাইনা য়াম চ্যেক তৌরৈ, অদুসু ময়াম্না লোইনা উই। ফিরাল চিংখৎপদা থাদরিবা শেনফমসি অরোইবীনি। ফিরাল চিংখৎপদা লাকপীনবা মায়কৈ কয়াদা শেল থাদদুনা গাড়ী ৱাইনবগী, মী লাক্নবগী, লাকপদা অথেনপোৎ ময়াম অমা পুরক্নবগী, মী তিল্লরিবা ময়াম অদুগী ফম্নবা চৌক্রি ৱাইবা, পেন্দল খনবা, ষ্টেজ শাবা, কেমেরা ময়াম অমা শীজিন্নবা লোইনমক অচৌবা শেনফম ঙাক্তনি। ইপুখোয় ভোটকী চাকসি অরোইবীনি। নোংমদা য়াম য়াম চানখ্রজাৎনি। ঙানা য়াবসু লৈ, য়াদবসু লৈ। মখোঙ অনীদগীনা মরি পানবা ফাওবা চানগদৌরিনি। কোক ঙাওবী মহী ময়াম অমসু হৈথগদৌরিবনি। অরোইবীনি হায়বা তারে। শেল য়েনবা হায়সিমা শোয়দ্রে। শেল য়েনদবা অমত্তা ভোট কাদে। য়াম য়েনবা ঙম্বদুনা ভোট নুমিৎতা মী য়াম্মী। হান্না য়াম কল্লম্বা কানি খন্নরম্বদু ভোট হয়েং হংচিৎতা ঙাইরকান্দা শেল য়েনবা ঙমদবদগী, য়েল্লবসু অতোপ্পনা য়েল্লকপা অদুদগী হেনগৎপা ঙমদবদগী ভোট নুমিৎতা মাগীনি হায়না লৈরম্বশিং মেজিক তৌনা শ্বাই শ্বাই মাঙনৈ। অদুনা লোংনা লোংনা তানখি। মীনা য়াবা, ভোট কাবা হায়বসি, শেলগী ফীভম্না লেপ্পী হায়বদা থোইনা লাল্লোই ইপুখোয়।

য়াম নোক্লিংবা খরা অমসু হন্দক্কী ভোটতুদা উবা ফংখি। কেন্দিদেট মশা ময়ূমদা চঙবা য়ারোই, ভোট থাদবা য়ারোই হায়বা কন্সটিট্যুএন্সি থোরকখি। চীংগী মফম খরদা পুল্লপ পুল্লপ থাদবগী পাউ লৈখি। ভোট্র অমত্তা ভোট থাদবা ফংদবগী অশেংবা ভিদিও ময়াম অমা সোসল মীদিয়াদা থাদোরকখি। খরা অমদি ভোট থাদবগী নমগদৌরিবদু ৱাচেৎ থাদুনা লোইনা খুমজিল্লগা থাদহনগদৌরিবা অদুদং হুৎলগা থম্বসু উখি। অদুনা মী পূন্নমক অহোবদুদা লোইনা থাদহল্লি। খরা অমনা ভোট থাদবা চঙহল্লগা, নমগদৌরিবদুদা নুপা অমা ফম্লগা, ভোট থাদনবগী প্রোসেস লোইরবা সোই সাং লোইনা তৌহল্লবা মতুংদা য়ারে য়ারে মপান থোকখ্রে, ঐনা ওইনা থাদবীরগে হায়দুনা নুপাদুনা পুল্লপ পুল্লপ থাদবসু য়াওখি। অদুনা অকাবা কেন্দিদেট অমনা ভোট মশীংসি হেক্তা থাজদবা চাংদা লিশীং তরা/কুন, কুনমরি/মঙা হেন্দুনা কাবসু য়াওনখি। মসি মমাঙদা অমুক্তা তৌদ্রিবা মতৌনি। হন্দক তৌরিনি। মদু কনা অমত্তনা থিংবা ঙমদে। থৌওইনা তৌরিবা মোইগী মিসন সক্সেস ওইদুনা ভোট কাবগী চাকলেন পরেং পরেং শিন্নখি হায়বগী পাউনা খুরক হাঙখিদে। তমদসু অদু মঙাই, হন্দক হৌখিবা মীখল অদুমুক শাথীবা অমা য়াওখিদ্রি। নোংমৈসি য়াম্না মরাং কায়নখি। হিন্দি ফিল্ম মান্না নোংমৈ অশাংবা অতেনবা পুথোক্তুনা মীয়াম মরক্তা কাপ কাপ্তুনা চঙশিল্লকপা উনখি। মতা অমগী মীখল হায়বদুমক ওইখি। কাবা য়াই খন্নবা কয়া মীখল হয়েং হংচিৎকুম্বদা ঙাইরবদা অহিং অমদা পুমওন ওনখিবদগী কাবদি লায়রদনা কারগা লৈহৌবা কোঙ্গাই অমনি। কারোই হায়রম্বশিংনা পজেং ফিরাল পাইখি। শেল য়েনবা য়ারোই হায়, য়েনদবা অমত্তা য়াওখিদে। মমাঙঙৈ মীঠাই অমনা, ক্বা মতপ অমনা য়ারম্বদু লুপা লিশীং ৩/৪/৫/৬/৭/৮ করিগুম্বা মফমদদি লুপা লিশীং ১০বু য়ৌই হায়নবা য়াওখি। কিনীংঙাইগী মশকনি। লৈবাক্কী থবক তৌনীংবা, মীয়ামগী লুচিংবা ওইনা মতম শাংনা নহা ওইরিঙৈদগী লাকচবা কয়া অমা বোম বোম তুনখি। শেল য়াওদবদা কৈসু ওইখিদে। ময়াদা মৈ হৌরবা নহা কয়া অমা মনম লৈবাক তারোই খন্নরম্বশিং করম্বা লোংখ্রৌনা লৌবনো খঙদে, উরু রু রু লৈরগা লৈমায়দা দম দম হাইথনরকখি। মতৌগদি লোইরে, মীখল মমাঙদুদা ঙাঙনখ্রিবা, চৈনখ্রিবা, ৱাজাও হায়নখিবা ময়াম অদু তাহৌবশিংনদি হৌজিকসু নোকপা লোইদবা য়াওরি। লাইগুল্লবা ফাগিগী নিংথৌরেল ওইনা লৈরম্বা ইপোমগী ওজাশিংনা ইলেক্সনগী ইপোম অমা পুথোক্তুনা ফাগি তৌরম্বদুগা চপ হেক মান্নে। মীনা লৈনরিবা য়ূম মৈ থাদোকপা, হিংলিবা মমল য়াল্লবা থৱায়বু কাপ্তুনা হাৎতোকপা, ওন্থোক্লা য়েংহৈ তাহৈদ্রবা ৱাথোক ঙাক্তনি। ফিরাল চিংখৎপা, চিংথবনচিংবা কয়াদা খূৎপু খূৎপু থোক্নদুনা ফূনখ্রিবা মতা অমনি। ফিমু শেৎপা থোক্তুনা মীগী থৱায়বু হিংথৎ হিংথৎ থৎখিবগী ৱারীনা ময়েক লানা ইদুনা লৈহৌরিবা অসি খোইখা লিনখা অমত্তা থানহন্দনা অকাউ পরৈনুংদা থাদবীরম্মু ইপুখোয়না। অদুগুম্বা মীখল অমুক হন্না লাক্তবা ওইরসনু। শেল পায়দ্রবা, গুন্দা ওইদ্রদি ভোট লেপ্পা কান্নদ্রে গাইনা হায়নরক্লিবা কয়া অসিগী অরোইবা মতম অমা ইপুখোয়না অমুক্তা শেম্বীরম্মু। নৎত্রবদি য়াই হায়দুনা মখা চত্থরকপা তারবদি মতুংদা মী য়াম্না শিনখিনি। ইপুখোয়, হৌজিক্কী মতম অসিদা তৌরিসিদি অরোইবীনি, চিনসু কন্দবা য়াদে, মসলসু উত্তবা য়াদে, লোয়ননা নোংমৈ, শেল, মীচং লোইনমক মথৌ তাই। মমাঙঙৈগী থাংজ তরেৎতা শাবা থাঙ-তানগদি চৎনবা য়াদ্রে। তাবদা কিবা ৱানি, কেন্দিদেট ফাওবা নোংমৈনা কাপ্পা য়াওখি। লৈকায়, খুন খরদা হৌজিকসু উংখৎনবা লোইদ্রিবনি ইপু। লৈরক খুল্লক্তা পংচৎ চৎপীরুখিনু। হেক পোকমিন্নবা মচিন মনাওফাওবা কৌনবা লোইদ্রিবনি।

য়াম্না নুংঙাইরিবা অমনা ভোট হেক লোইখিবগা কাহৌদবশিংনা অকাবদুগী মায়োক্তা কেস ময়াম অমা থাঙ্গৎনৈ। মাগী ইলেক্সনগী নোমিনেসন ফাইল তৌবদা হাপকদবা দোক্যুমেন্ট শুই-শুদে, শেরান্ননা ইশিল্লি-ইশিন্দে, কেস লৈবদা লৈতে হায়জিল্লি হায়বনচিংবা ময়াম অমা থোরক্তুনা হৌজিক হায় কোর্টতা কেস মশীং য়াম্না লৈখ্রে। কেসসিবুদি পাক লোইদৌদি মান্দে। হয়েং মথংগী ভোট তৌরমদাই অদুৱাইদগা অমা অনী লোইশিল্লক্কদ্রা নৎত্রগা অদুম লোইশিন্দনা ভোট অমা লাক্কদৌরিরা হায়দুসু খঙদে। মসি মমাঙঙৈদা লৈরম্বদুনি। হৌখিবগী মমাঙগী টর্মদুদা কেস অমা অনীখক থাগৎনরকপদগী, ঙমদুনা ভোটতদি কাহৌদ্রবা মখোয় অমা অনী এম এল এ ওইখিবগী থৌদোক লৈখিবদো অদুদা হন্দক্কীসিদসু খরা লায়না এম এল এ ওইবা য়াবরা য়েংনরকপা মাল্লি ইপুখোয়। মসিসু অঙকপা অনৌবা ত্রেন্দ অমনি। য়েংবা তারি কনানা ঙমগে হায়দু। অদুমকপু অসিমসু খঙই, মদুদি কেস হায়সিদি কেসনি। শুংলোই লোইবা নাইরোই। অমনা অমুক থাজিন, অমনা অমুক থোমজিন, কেসতু পুমতোই তোইখৈ নৈখিগদৌরিনি। অদুগা কোন্না মথংগী ভোট ময়াদগা অতাবী অমা লাক্কদ্রা, অদুসু লাকপা য়াই লাক্তবা য়াই। সুপ্রিম কোর্টনা ইলেক্সনগী কেস খুদিংমক থুনা লোইশিনগদবনি হায়না ওর্দর ফনা য়াম্না তারবসু, লোইশিনবা য়ানি থাজদে। ৱানা এম এল এ ওইরিবশিং ইরায় লায়না তোকও হায়বা য়ানীংগদবা অমত্তা লৈতে। অদুনা ঙম্না ঙম্নবা তৌনরকপদা লোইবা নাইরোই হায়না হায়নরি। ইপুখোয় য়েংবা তারি মখা করি কমদৌরক্কদগে হায়বদু। ৱারীসি তাবদা ইপুখোয়দি ঙকপনা থেংলম্মনি। নরমদম অসিদা লৈরিবা নশুশিং অসিনা নীংলিবা লৈবাক খুনীংসে মমাঙঙৈগা মান্নদ্রে। মওং অমদা ওইনা নীংনরবনি। লৈবাকপুদি নীংজবা, মদুগী মরক্তুদা মশাসু নীংদবা য়াদবনিনা, অনীদু য়েৎখায়নরক্লিবনি। ইশম শম্না ষন্থি খুনবদা ষণনাও য়াওই হায়দুনি ইপুখোয়।

-নখোয়গী নশু অমা ●

# চাইনাগী থৌনাদা চাওথোকফম থোক্তব্রা

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

বৃটিশকী মখাদা চহী চাম্মা হেন্না মীনাই নাইথাং ওইনা হিংলক্লবা মতুংদা য়ু এস এনা শাংলবা চহী ৭০ হেনবসি মালেমগী লৈবাক কয়াদা খূৎ থিংজিন্দুনা লাক্লি। মসিবু অমেরিকান হেজেমোনি হায়না খঙনৈ। অসুম্না লাকপদা মতম অমগী সোভিএট য়ুনিয়ন অমদি কোন্না রুসিয়া নত্তনা লৈবাক অমত্তনা য়ু এসকী মায়োক্তা লেপ্পা ঙম্লক্ত্রি। অদুবু ঙসিদি এসিয়াগী লৈবাক অমা ওইরিবা চাইনানা নুমিৎ মরিনি চাইনাগী ৱার প্লেন, ৱার শিপ, টেঙ্ক অমদি মিসাইলনচিংবা শীজিন্নদুনা ঐখোয়গী ওইবা লৈবাক্কী ৱাথোক্তা খূৎ থিংজিল্লক্কনু হায়না থৌনা ফনা য়ু এস এগী মায়োক্তা শিংনদুনা লেপ্পা ঙম্বদি এসিয়া মচা অমা ওইনা ঐখোয় খুদিংমক চাওথোকফম থোক্তব্রা, নৎত্রগা নোংচুপলোমগী হ্বাইট সুপ্রিমেসিগী মখাদা মীনাই নাইথাং ওইনা মখা তানা লৈথখিসিরা।

য়ু এস অমদি ৱেষ্টর্ন মীদিয়াগী মতুংইন্নদি হন্দক্কী য়ু এস হাওস স্পিকর, নেন্সি পেলোসিগী খোঙচৎ অসিনা মরম ওইদুনা টাইৱান্দা মেনলেন্দ চাইনানা লান্দারগদৌরে হায়বসিনি। য়ু এসকী অপাম্বসু মদুমক্নি রুসিয়া-য়ুক্রেন অনীগী মরক্তা লান থোক্নদুনা লৈবাক অনীমক্কী ইকোনোমিক থুগাইনবা হোৎনবতা নত্তনা অৱা অনা, মীশি-মীনা কয়া থোকহনবগুম। চাইনানা টাইৱান্দা লান্দারবদি মসিদা কান্নবা ফংগদৌরিবসি য়ু এসনি। মসি চাইনা অমদি টাইৱাননা খঙদবা নত্তে। অদুবু ঙসি পাল্লিবা য়ু এসকী পপেট ওইরিবা দি পি পি লৈঙাক্কী (দেমোক্রেটিক প্রোগ্রেসিভ পার্টি) টাইৱান প্রসিদেন্ট মশাগী পোলিটিকেল পৱারখক খন্দুনা য়ু এসকী তান্থাদা জগোয় শারি, চাইনাবু হঞ্জিন হঞ্জিন শাওহল্লি। অসিগুম্বা য়ু এসকী উশিত্তবা থৌওং অসিদা অসুক কন্না শাওরবসু চাইনানা টাইৱান্দা লান্দাদববু য়ু এস কিবদগী, পাঙদবদগীনি খনবদি য়াম্না পঙবগী খুদম ওইগনি। চাইনানা টাইৱানবু কৈদৌঙৈদসু লান্দাদুনা য়ুক্রেনদা নংলিবা অশি-অনা, অৱা-অনা কয়া অসি থোকহন্দুনা পুনশিনবা পামদে। মসিগী খ্বাইদগী চাউবা মরমদি টাইৱান্দা লৈরিবা মীওই মিলিয়ন ২৩ হেনবসি চাদা ৯৭তি মখোয়গী চাদা নাওদা অমদি মচিন মনাও ঙাক্তনি। চাইনানা লান্দাদুনা টাইৱানবু লৌশিনগে খল্লবদি নহান্না হোৎনরম্বা য়াই অদুবু মদু চাইনানা তৌখিদে। চাইনানা পাল্লিবদি ঈংনা তপ্পা পুনশিনবা অদুনি। হন্দক্তা নুমিৎ মরিনি চূপ্পা ৱার দ্রিল তৌরিবা অমদি মিসাইলনচিংবা কাপ্লিবা অসিদি মচিন-মনাও, ইমুং-মনুং ওইরিবা চাইনাদগী তোখাই তাগে খল্লিবা টাইৱান লৈঙাক অমদি য়ু এসতা চাইনানা করি তৌবা ঙম্বগে হায়বদু উৎপনি। তশেংবগীদি ব্রেন ৱাশ তৌরবা নহা ওইরিবা অঙাং শোইনাও খরা নত্তনা টাইৱানগী মীওই অয়াম্বনা কম্যুনিষ্ট চাইনাগা পুনবমক নৎত্রবসু লল্লোন ইতিক তৌমিন্নদুনা চাওখৎমিন্নবা পাম্বনি। অদুবু ঙসি পাল্লিবা দি পি পি লৈঙাক অসিনা মশাগী পোলিটিকেল পৱার অসি পায়দুনা লৈনবা হায়দুনা মীখলদা ভোট ফংনবা নীংখা তম্বগী মমিংদা টাইৱানগী মীওই কয়াবু চাইনাগী মায়োক্তা ফত্তবা, চুমদবা পাউ কয়া শন্দোক্লি য়ু এসকা খূৎশম্নদুনা। য়ু এসসু টাইৱানবু চাইনাদগী খাইদোক্তুনা থম্নবা হোৎনদুনা লাক্লি ঙসি ফাওবা। কুমজা ২০১৯দা হোং কোংদা চাইনাগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখিবা অদুসু য়ু এসকী খূৎ য়াওবনি।

হন্দক্কী নেন্সি পেলোসিগী খোঙচৎ অসি চাইনাগী ঙমখৈদা, সোভরেন্টিদা শীংনবনি, মদু য়াদে হায়দুনা টাইৱানলোমদা ওনশিন্দুনা ৱার দ্রিল তৌবা, বোম-টোপ কাপ্পা, টাইপৈ লান্না মিসাইল ৪ কাপ্তুনা জপানগী সমুদ্রদা তাশিনবা, টাইৱানগী এয়র স্পেসতা চাইনাগী ৱার প্লেন ৩০ হেনবনা পাইশিনবা লোয়ননা মশীং খঙদনা দ্রোন কয়া শীজিন্নদুনা টাইৱানগী মরু ওইবা লানগী খূৎশু খূৎলায় থম্ফম খঙদোকপনচিংবা তৌবদা য়ু এসনা মোনিটরিং তৌরি হায়বা নত্তনা করিসু তৌবা ঙমদে। টাইৱানগী সিটি টাইপৈ ফাওনা মিসাইল ৪ কাপখিবা অদু নোংচুপলোমগী মীদিয়া অমদি টাইৱান লৈঙাক্কী মীদিয়াশিংনা খঙলিবনি অদুবু পাউ মচেৎ অমত্তা ফোঙখিদে, তূমিন্না লৈশিনখি, জপাননা হায়দোরকপা নত্তনা, করিগী মখোয়গী মায়থীগদবা মরম্না। অসিগুম্বা বোম-টোপ, মিসাইলনচিংবা টাইৱানগী এয়র স্পেসতা চাইনাগী ৱার প্লেন পাইশিল্লকপগী থৌদোক লৈতবা মতমদদি সাইরেন খোংদুনা য়ূমদগী মপান থোকপা য়াদে হায়দুনা টাইৱান লৈঙাক্লা ঙাইহাক লৈতনা দ্রিল তৌরিবনি। অদুবু হন্দক্কী মতাংসিদা চাইনানা তশেং তশেংনা নুংতিগী ৱার দ্রিল তৌবা অমদি টাইৱান ফাওনা মিসাইল মরি কাপখিবা অসিদদি সাইরেন খোংদুনা দ্রিল তৌবা ঙসি ফাওবদা তাদ্রি নোংমতসু, তূমিন্না করিসু থোক্তবগুম লৈশিল্লি টাইৱান লৈঙাক্লা। মসিনি হৌজিক পাল্লিবা টাইৱান লৈঙাক্কী থৌনা হায়বদো। অদুগা টাইৱানগী মিলিটরিসু পোলিটিসিয়নশিং অসিগী মৱা লৌদবীদা মখোয়না ফৈ খনবদু চত্থগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অসিগুম্বা মীপাইনীংঙাই তাঞ্জাসিদা, অর্নব গোশ্বামি হায়ব্রা ইন্দিয়ন রিপোর্টর অমনসু নেন্সি পেলোসিনা টাইৱান্দা হেক থুংবদা চাইনানা টাইৱান্দা লান্দাদবা অদুদা চাইনাসি ৱা ঙাঙবদনি, মথৌনা য়াওদে, করি তৌবা ঙমগদৌরিবা, চাইনাগী মিলিটরি লৈতে, খূৎশু খূৎলায় লৈতে, মীচং লৈতে, জিং জিং পিং অসি চেদা য়েকপা কৈনি হা অদুনি অদানি হায়না ক্বাককুম খোংলি, লাউরি। অদুবু নোংমা নীনি খক ৱার দ্রিল তৌরগা তোকখিবা য়াই খন্নরম্বা চাইনানা ঙসিদি ওগষ্টকী তারিখ ১৫ ফাওবা টাইৱানগী অকোয়বা সমুদ্রদা চাইনাগী ঙমখৈ ঙাকথোক্নবা দ্রিল চত্থগনি হায়না লাউথোকখ্রে য়ু এস, জপান অমদি য়ু এসকী খোঙলোই খরগী ৱা তাবীবা তৌদনা। অদুগা চাইনাগী ফাইটর জেটশিংগা টাইৱানগী জেটশিংগসু অদুম থংননা পাইমিন্নরি টাইৱানগী এয়র স্পেসতা। মসিনসু মচিন মনাওনি হায়বদু উৎলি। পোলিটিসিয়নশিং অসিনা থোকহনবা ঙাক্তনি পামদবা থৌদোকশিং অসি।

তশেংবগীদি এসিয়াগী লৈবাক অমা ওইরিবা চাইনানা য়ু এস অমদি হ্বাইট সুপরমেসিগী মায়োক্তা থৌনা ফনা লেপখৎতুনা য়ু এসকী মায়োক্তা লেপখৎপা ঙম্বসিদা এসিয়া মচা অমা ওইনা ঐখোয় খুদিংমক চাওথোকফম থোকপনি। অদুদি নত্তদুনা চহী চা কয়া নোংচুপলোমগী মীনাই নাইথাং ওইনা লৈবা পেন্দ্রিবগুম লাউরি চাইনাগী মায়োক্তা লাল পাম্বা, লৈবাক থুগাইবা পাম্বা য়ু এস অমদি নাটোগী মায়োক্তা লাউবগী মহুত্তা। অর্নব হায়রিবা মীওই অসিসু অমনি। মহাক্কুম্বা ক্বাকশিং অসিননি ঙসি মালেমদা মীওই অমগা অমগা, হিন্দুগা মুসলিমগা, লৈবাক অমগা লৈবাক অমগা নুংশিননা হিংমিন্নবদা ৱানা থোক্লিবা, মরু ওইনা ইন্দিয়া-পাকিষ্টান অমদি ইন্দিয়া চাইনা অনীগী মরক্তা।

লোইশিল্লকপদা থমজনীংবদি, হৌজিক হৌজিক ওইরিবা টাইৱান অমদি চাইনা অনীগী মরক্তদা নত্তনা এসিয়া অমদি মালেম পূম্বদা মীপাইবা পোকহল্লিবসি কনানা ওইহনবনো, থোকহনবনো হায়বসি খঙনরবা ৱাফমনি। ইংনা তপ্না শেল-থুমদা, চাওখৎপদা মাঙদা চঙশিনসি হায়রবদি চাইনাবু য়েক্লবা ওইনা য়েংবা অমদি চাইনাগী ইমুং মনুংগী ওইবা ৱাথোক্তা খূৎ থিংজিনবগী মহুত্তা মশা মশাগী লৈবাক্কী ৱাথোক হান্না লোইশিন্নবা হোৎনবনা অমদি চাইনাগা চৎমিন্নবনা পূন্নমক্কী চাওখৎপা, য়াইফবা ওইগনি হায়না থমজগে। অমনা, টাইৱানসি চাইনাদগী মনিং তম্বা লৈবাক অমা খক ওইখিদে। অদুগা চাইনাসু টাইৱানদগী খাইদোক্লা লৈবা লৈবাক অমা খক ওইখিদে হায়বসি খঙমিন্নসি। পূন্না হিংমিন্নবনা য়াইফরে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।